**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরদা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবগী ফিভম খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি।

২) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা পুমমক্কী থৌদাং লৈ।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক পরিক্ষা পে চরচাগী ৯ শুবা ইদিসনদা লৈবাক অসিগী মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি।

**-------**

এসেমব্লি (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মণিপুরদা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবগী ফিভম খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি।

১২ শুবা রাজ্য বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম হৌদোকপদা পীখিবা মহাক্কী ৱারোলদা রাজ্যপালনা হায়- কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার, সেক্যুরিতি ফোর্সেস, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি খুনাইগী লুপ কয়ানা পুন্না হোৎনমিন্নবদগী মণিপুর শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবগী মাইকৈদা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি। চিংনবা মফম কয়াদা ওপরেসন চথুবা, এরিয়া দোমিনেসন অমনি থি হুম্বগী থবক কয়া চথুবা অসিনা রাজ্য অসিগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলক্লি। মহাকা হায়- মীহৎ মীপুনগী থবকশিং থিংনবা অমদি মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিনহন্নবগীদমক জিলা জিলাদা জোইন্ট মোবাইল টিমশিং, স্পেসিয়েল ওপরেসন ট্রুপশিং অমসুং এন্তি এক্সতোরসন য়ুনিতশিং লিংখৎলে।

রাজ্যপালনা হায়- হৌজিক ফাওবদা খুৎলায় লিশিং ৭,৩১৩, নোংমৈ মরু রাউন্দ লিশিং ৮৩,৫১২ অমদি পোকখায়বা য়াবা পোৎলম লিশিং ৫,১৯৫ ফাগৎলে। ২০২৫ চহিগী হৌগৎলকপদা য়াল্লবা খ্ৎশু খুৎলায়শিং ভোলুন্তরি সরেন্দর তৌরকখিবা অদুনসু রাজ্য অসিগী মীয়ামা শান্তি হঞ্জিনহনবা পান্মী হায়বদু মপুং ফানা উৎলে। মহাকা হায়-২০২৫ গী মে থাদগী ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা দাইরেক্ত বেনিফিসরি ত্রান্সফর ওইনা তেংবাং পীবা হৌরে। পি.এম.এ.ৱাই.জিগী বেনিফিসরি লিশিং ৭ তা ইমুং অমমমগী ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৭০ গী তেংবাং পীবা য়াওনা লুপা কোতি ৫২৩ গী রিসেটলমেন্ট অমদি রিহেবিলিতেসন পেকেজগী মখাদা তাঙ্কক নাইনা রিসেটলমেন্টকী থবক হৌখ্রে। আই.দি.পি লিশিং ১০ রোমদা হেলথ কার্দশিং খুৎশিন্নখ্রে। অদুগা মহৈরোই লিশিং ৭০ রোমদা মহৈ মশিংগা মরী লৈনবা তেংবাং কয়া পীখ্রে।

মীয়ামা তুং কোইনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী অপুনবা অমদি নুংশি চান্নবগী থৌওং লৈহন্দুনা তুংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরগনি হায়বগী থাজবসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

তুংদা, মন্ত্রি অমা ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা গোবিনদাই কোন্থৌজবনা রাজ্যপালগী ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস পুখৎখি অমসুং মদুবু উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা শৌগৎখি। মদুগী তুংদা চৎলিবা চহি ২০২৬ কী বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী রিপোর্ট সভাদা পুথোকখি।

সভাগী লুচিংবা অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা পুখৎলকপা থাজবগী মোসন পাস তৌরবা তুংদা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা সভাগী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা পুমমক্কী থৌদাং লৈ।

রাজ্য বিধান সভাদা ঙরাং থাজবগী মোসন খন্নবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসি লোইশিনহন্দুনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈবা ফিভম পুরকবা হোৎনবদা সরকার পায়রিবা অমদি

বিরোধিগী সদস্য পুমমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চংই। বিরোধি সদস্য কয়ানা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা মণিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মতেং পাংনগনি হায়রকপগীদমকসু শ্রী খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজ্য বিধান সভাগী মীফম নিংথিনা মপুং ফানা পাঙথোকখিবা অদ্গীদমকসু শ্রী খেমচান্দনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমদি রাজ্য বিধান সভাগী সদস্য পুমমকপুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

এসেমব্লি(এল)ঃ কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী সিংহনা মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতিদা শোক্কদবা লৈরবদি অদুগুম্বা দিমান্দশিং রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফুরুপ অমত্তনা তৌবীদনবা হায়রি।

রাজ্য বিধান সভাদা ঙরাং পুখৎলকখিবা মোসন ওফ কনফিদেন্সকা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা হৌৎনবদা মমাংদা শোইখিবা অমদি লানখিবা কয়া অমনা অমবু ঙাকদুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবা চংই। মহাকা হায়- অনৌবা সরকার অসিনা লমদম অসিগী ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহল্লবা মতমদতা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহনবা ঙমগনি। রাজ্য অসিবু চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনহন্নবগীদমক শান্তি লৈহনবা য়ামমক তঙাইফদে হায়রদুনা লম অসিদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা চংই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী সিংহবু মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনবগী থৌরমদা কৈশাম মেঘচন্দ্র সিংহবু কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা অদুগা কে. রঞ্জিৎ সিংহবুনা দিপ্যুতি লিদর ওইনা খনখ্রে। শ্রী ভিক্তর কৈশিং অমসুং মঙ্গা ৱাইফৈনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। শ্রী টি.ঐচ. লোকেশ্বর সিংহবু কেম্পেন কমিতিগী চেয়ারপার্সন, শ্রী মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা ইলেক্সন কমিতিগী চেয়ারপার্সন অদুগা মহামদ ফজ্র রাহিমবুনা ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লোক্তাক পাৎকী ফুবালাগী নোংপোক থংবা শরুক্তগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এমগী সি.এম.জি করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু এম.এমগী পিষ্টোল অমা, রাইফল গ্রেনেদ মঙা, লেথোদ বোম অনি, তুয়েল্ব বোর কাত্রিজেস মঙা, নাইন এম.এমগী মরু ১০, টি.এঙ্গল স্নাইপ্পর স্কোপ অমা ফারে।

নেসনেল হাইৱে নম্বর টুগী সেনাপতি জিলাগী চ্যেক পোষ্ট অমদা বাইক থৌদুনা লাকপা মীওই অমদগী কানি গ্রাম ৩৩৪ ফারে। উখ্রুল জিলাগী খামাসোম অমসুং লৈঙাং চীংগী লম একর ১৮৫ দা আইন কায়বা মওংদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিংসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা  ঙরাং য়াম্থৎখ্রে। তেংনৌপল জিলাগী খুদৈ খুল্লেনগী লম একর ২০ লোমগী চীংগী শরুক্তা থারম্বা পোপ্পিশিংসু য়াম্থৎখ্রে হায়রি।

পরিক্ষা পে ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক পরিক্ষা পে চরচাগী ৯ শুবা ইদিসনদা লৈবাক অসিগী মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি। চহিগী ওইবা থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা অয়ুক পুং ১০ দগী হৌগনি।

পরিক্ষাদা পুকিং লাংতকবা লৈতনবা অমসুং মহৈ তম্বদা পুকিং লুপশিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- পরিক্ষা পে চরচা অসি লৈবাক্কী ওইবা জন্ন-অন্দোলন অমা ওইরকপগা লোয়ননা মসিদা মায় গোভ পোর্তেলগী খুত্থাংদা মহৈরোই, ওজা অমদি মহৈরোইশিংগী অহল লমন কোতি ৪ মখায় হেনবনা রেজিষ্টর তৌরকপগা লোয়ননা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী য়ু ট্যুব চেন্নেল, দুরদর্সন অমসুং ইদুকেসন্স সোসিয়েল মিদিয়া

প্লেটফোর্মস মন্ত্রালয়না টেলিকাষ্ট তৌগনি। থৌরম অসি ৱেভস ও.টি.টি, অমাজোন প্রাইম ভিদিও, জিও, জি ফাইভ, সোনি লাইভ অমসুং স্পোতিফাইদসু শন্দোক্কনি।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ভারতকী অহানবা কোওপরেতিভ টেক্সি সার্ভিস, ভারত টেক্সি হৌদোকখ্রে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ভারত টেক্সি অসি কোওপরেসনগী খুথাংদা মীয়াম্বু পুন্না পুরকবা অমসুং অপিকপা সেলেপ পুনশিন্নদুনা অচৌবা থবক অমা হৌনবগী প্লেটফোর্ম ওইরগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- সরকারনা টেক্সি সার্ভিসকী হিরমদা মীৎয়েং চংদ্রি। অদুমওইনমক, টেক্সি সার্ভিকী থবক থৌরম অসি কোওপরেতিভকী ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা টেক্সি থৌরিবা দ্রাইভরশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা অহোংবা অমা পুরকপদা মতেং ওইরগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ভারত টেক্সিনা দ্রাইভরশিংনা ফংজরিবা ভারা অদুদগী করিগুম্বা কম্মিসন অমত্তা লৌরোই।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টেক্সি সার্ভিস হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মরুওইবা পাব্লিক অমদি প্রাইভেট ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী মরক্তা য়ান্না চেরোল ৯ সহি তৌনখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

১২ শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ৭ শুবা মীফম হৌখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

গভর্নরগী ৱারোল থমদুনা ১২ শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ৭ শুবা মীফম হৌখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গভর্নরনা এদ্রেস তৌদুনা এসেমবি মীফম পাঙথোকখ্রে, পাঙ্গল চাংয়েংদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দ মায় পাকখ্রে, ৱাশক লৌবগী থৌরমদা হকথেংননা য়াওখিবা খৌতে অমসুং ঙুরসাংলুর এসেমব্লি মীফমদদি ভারচুয়েল মোদতা শরুক

য়াখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

গভর্নরনা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী ৭ শুবা সেসন হৌদোকখ্রে, মণিপুর ইং তপ্পা মাইখৈদা খোঙজেল য়াংনা চংশিনবা ঙম্লি হায়বা গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এসেমব্লি মীফম হৌদোকখিবা পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, সনালৈবাক অমসুং মণিপুর মেল পাউচেশিংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি এম.এল.এশিংনা সরকার শেন্দ্বা য়াওখিবদগী হিংশা য়াওবা প্রোটেষ্ট চখবা হৌখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরদা ইরাং হৌখ্রে, পুং ২৪ গী টোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে, কুকি জো এম.এল.এশিং বোইকোট তৌখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

যুমথংনবা নাগালেন্দদদি দিষ্ট্রিক্ট ৬ তা ফ্রন্তিয়ার নাগালেন্দ তেরিতোরিয়েল ওথোরিতি শেন্দ্বগী খুৎয়েক পীনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

দিপ্যুতি সি.এম. লোসি দিখোনা মোটবুংদা চত্তুনা কুকি মীয়ামগা উন্নগদৌরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

দোনর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লুপা কোতি ৪৪১ লাখ ৩৮ চংনা মণিপুরদা প্রোজেক্ট ২৫ পায়খৎলি হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বি.জে.পিনা লুচিংবা মণিপুর সরকারদা এন.পি.এফনা শৌগৎলি হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

-------